# সাম ক্বেরিনা সিটি ওপনদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে, স্লোন ষ্টেফেন্সনা মায়থীহৌরে

ৱাশিংটন, জুলাই ২০:
জপানগী রিসা ওজাকিনা অনীশুবা সীদেদ স্লোন ষ্টেফেন্সপু মফম অসিদা চথ্থরিবা সিটি ওপনগী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীখিবগা লোয়ননা নুপাগী সিঙ্গলস মেচতা নিপানশুবা সীদেদ সাম ক্বেরিনা মহাক্কী মায়োক্লখিবা লম্বাবু মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।



নুপীগী সিঙ্গলস মেচতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ষ্টেফেন্সনা মহাক্কী ওপনিং মেচতা জপানগী রিসা ওজাকিগী মখূৎতা ৬-২, ৬-১ দা মায়থীখি। অদুগা নুপাগী শিঙ্গলসতা ক্বেরিনা বর্জোন ফ্রাটাঞ্জেলোবু সেন্টর কোর্টতা শান্নখিবা মেচ অদুদা ৬-৭ (৫), ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি।

মেচ লোইখ্রবা মতুংদা ষ্টেফেন্সনা হায়খি, ঐনা শান্নখিবা মেচশিংগী মনুংদা মসিগী মেচ অসিনা ঐবু অপংবা শিরন্নগা মায়থীহৌখিবা ওইখি। মশাগী চহী ২৩ শুরবা অমেরিকান অসিনা হায়, মহাক্না মিনিট ১০ রোমদি অৱাবা ওইখি অমদি মদুদগী মায়থীহৌখি। ঐনা মেচ অদু নিংথিনা শান্নখিদে হায়না মখা তানা মহাক্না ফোঙদোকখি।

ক্বেরিনা অহানবা সেটতা টাইব্রিক তাখি অমদি ফ্রাটাঞ্জেলোগী মখূৎতা মায়থীখি। ক্বেরিনা মথংগী মেচতা ১১ শুবা সীদেদ উক্রেনগী অলেকজেন্দর দোলগোপোলোভকা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

ওপন অসিগী অঙনবা শরুক্তা শান্নখিবা মেচতা ইয়ুগেনি বৌচার্দনা ইটালিগী কামিলা গিওর্গিগী মখূৎতা ৭-৫, ৬-৪ দা মায়থীহৌখি। বৌচার্দনা মায়থীখিবা অসিনা কনাদিয়ন অসিনা হৌখিবা টুর্নামেন্ট তরাদা ওপনিং মেচতা মায়থীবা মরিরকশুবসু ওইখি। মহাক্না হন্দক্তা লোইশিনখিবা ৱিমব্লেদনগী রাউন্দ ৩২ দা চঙবা ঙমখি। তুংদা দোমিনিকা সিবুলকোভাগী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

পনবা য়াই, বৌচার্দনা লাক্লিবা রিও গেমসতা জিকা ভাইরসকী অকিবা লৈবদগী শরুক য়াদনবা থৌরাং তৌরিবনি।

অতোপ্পা নুপাগী মেচতা ১২ শুবা সীদেদ গ্রিগোর দিমিট্রোভনা গ্রেট ব্রিটেনগী দানিএল ইভান্সকী মখূৎতা ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীহৌখি। নুপীগী সাইদতা অমেরিকাগী খৃষ্টিনা মেকহেলনা নিপানশুবা সীদেদ রোমানিয়াগী মোনিকা নিকুলেসকুবু ৬-০, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি। ন্যুজর্সিগী নুপী অসিনা মথংগী মেচতা জেসিকা পেগুলাগা মায়োক্লদুনা শান্নগনি।

অমরোমদা, জোন থিল্লমেন, জেমস দকৱার্থ অমদি জোর্দান থোমসননা মফম অসিদা চথ্থরিবা সিটি ওপনগী নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা মখোয়গী অহানবা রাউন্দগী মেচশিংদা ষ্ট্রেট সেটতা মায় পাক্তুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

জোন থিল্লমেননা ওপন অসিগী মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেচতা লোকেলগী আশা তৌনরিবা দোনস কুন্দলাবু পুং অমা হেন্না চঙনা শান্নখিবা মেচতা ৭-৫, ৬-০ দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখি। অপূনবা এস মঙা অমদি মশীং য়াম্লবা ব্রিক পোইন্টশিং লৌবা ঙমখিবা থিল্লমেননা মেচ অদুয়াম্না লায়না মায় পাকখি। মহাক্না অনীশুবা রাউন্দদা মার্কোস বাঘদাটিসগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

ক্বালিফাইয়র দকৱার্থনা অতোপ্পা অমেরিকান টিম সিমিকজেকপু ৭-৫, ৬-১ দা মায়থীবা পীখি। দকৱার্থনা মথংগী রাউন্দদা টোপ সীদ জোন ইস্নরগা মায়োক্লদুনা শান্নরগনি।

অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস মেচতা থোম্পসন্না ভিক্তর ইষ্ট্রেল্লা বার্গেসপু ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

বেঞ্জামিন বেকরনা দানিএল ইভান্সকী মখূৎতা মিনিট ৫০ রোম চঙনা শান্নখিবা মেচতা ৬-২, ৬-১ দা মায়থীখি। ভাসেক পোস্পিসিলনা য়ুইটি সুগিটাবু ১-৬, ৬-২, ৭-৬ (৭-৪) দা অমদি টেলর ফ্রিটজনা দুদি সেলাবু ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।

জারেদ দোনাল্ডসননা ফেল্লো ক্বালিফাইয়র ভিনসেন্ট মিল্লোটপু ৫-৭, ৬-২, ৬-৪ দা, বর্জোন ফ্রাটঞ্জেলোনা অলেক্স কুজনেটসোভপু ৪-৬, ৬-২, ৬-৪ অমদি এদ্রিয়ন মান্নরিনোনা ফ্রান্সেস টিয়াফোবু ৭-৬ (৭-৪), ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দ চঙখিবনি।

# গোৱা ফাইভস অমসুং কোলকটা দ্রো চৎখ্রে, মুম্বাই ফাইভস সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

মাপুশা, জুলাই ২০ ঃ
গোৱা ফাইভসকী ভাম্পেটানা অহুমশুবা ক্বার্টরদা চনখিবা গোল অনীনা মফম অসিগী পেদ্দেম স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথ্থরিবা প্রেমিয়র ফুটসালগী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা কোলকটা ফাইভসকা ২-২ দা দ্রো চৎখ্রে অদুগা অতোপ্পা মেচ অমদা মুম্বাই ফাইভসনা চেন্নাই ফাইভসপু ৪-৩ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল রাউন্দ চঙখ্রে।



গোৱা অমদি কোলকটা অনীগী মেচ অদুগী অহানবগী ক্বার্টর অনী ফাওবদি কোলকটা ফাইভসনা এটেক অমদি দিফেন্সতা মাঙজিল থানা শান্নখিবনা অহানবা হাফ ফাওবদা মখোয়না ২-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। কোলকটা ফাইভসনা মায়োক্নখিবা টিমগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা অকনবা শাফু অমদা মেচকী মিনিট ৫ চৎপা মতমদা পুলানা গেম অসিগী মহাক্কী অহানবা গোল চনখিদুনা য়াম্না ঙন্না ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। মেচ অদুদা তিনখিবা য়াম্লবা মীয়াম্না কোলকটাগী পুলানা মহাক্কী অহানবা টিমগীদমক গোল চনখিবা অদুদা হরাউবা ফোঙদোকখিবদা স্পোর্টস কমপ্লেক্স অদু পুমনিল নিনখি।

কোলকটানা গোল চনখিবা ইকুই কুইদনা অমুকসু হন্না গোৱাগী সাইদতা তৌখিবা অথুবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৯ চৎপা মতমদা কারিওকানা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। গোৱাসু মায়োক্নখিবা সাইদতা চঙশিনখিবা এটেক্তা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবা কয়া ফংখ্রবসু ওপোনেন্ট সাইদনা অকনবা মওংদা থিংখিবদগী গোল চনবা ঙমদনা লৈখি। কোলকটা ফাইভসকী হৈথোই শিংথোইরবা গোলকিপর সিদাওনা গোৱা ফাইভসনা নেট তম্না কাওশিনখিবা য়াম্লবা শুটশিং সেভ তৌদুনা গোল অমত্তা ওন্থোকহনখিদে। কোলকটাগী প্লেয়রশিংনা য়াম্না অন্দরষ্টেন্দিং অমদি কোওর্দিনেসন লৈনা অহানবগী ক্বার্টর অনীদা শান্নখিবনা রোনালদিনহো য়াওদ্রবা গোৱা টিমদা অচৌবা শাফু অমা ফংখি। গোৱানা অনীশুবা ক্বার্টর ফাওবদা গোল অমত্তা চনবা ঙমখিদে।

কোলকটানা মখা তানা গোল চন্নবা গোৱাগী সাইদতা তকশিনখ্রবসু গোৱাগী গোলকিপর বেবেনা এক্সট্রাওর্দিনরি ওইবা সেভশিং তৌদুনা অহেনবা গোল অমত্তা চলহনখিদে।

সেকেন্দ হাফতা গোৱা ফাইভসনা মখোয়গী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা ব্রাজিলদা পোকখিবা ইটালিয়ন নেসনল ভাম্পেটানা টিমগীদমক মশক থোক্লা শান্নদুনা গোল অনী চনখি। ভাম্পেটানা কোলকটাগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা কাউন্টর এটেক্তা মেচকী মিনিট ২৪ অমদি ২৭ তা গোল অনী চনখি।

মরিশুবা অমদি অরোইবা ক্বার্টরদা কোলকটানা মখোয়গী ষ্ট্রেটেজি হোংদুনা মেচ মায় পাক্লবা গোৱাগী মায়কৈদা অকনবা এটেকশিং তৌখি। গোৱাসু অকনবা এটেক তৌদুনা মায় পাক্লবা চঙশিনখি। অদুবু মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনবদগী দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখি।

অতোপ্পা মেচ অমদা রয়ন গিগসনা লুচিংবা মুম্বাই ফাইভসনা চেন্নাই ফাইভসপু ৪-৩ দা মায়থীবা পীখি।

মুম্বাইগী মরু ওইবা প্লেয়র ফোগলিয়ানা মেচকী মিনিট ৭, ২০ অমদি ৩৪ চৎপা মতমদা গোল অহুম চনবা ঙমদুনা হেটট্রিক ফংখি। অদুগা রয়ন গিগসনা মিনিট ২৬ চৎপা মতমদা গোল অমগা চন্দুনা মায় পাকখি। মায়থীহৌরবা চেন্নাই ফাইভসকী গোলশিং অদুনা সীন গার্নিয়রনা মেচকী মিনিট ৯, রোসুলোনা মিনিট ১৫ অমদি কামিলোনা মিটি ২৩ চা গোল অমমম চনখি।

মুম্বাইনা মহাক্কী মেচ অহুম ফংখিবদা মেচ অনী মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৬ ফংবা ঙমখিদুনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

পনবা য়াই, ফুটবোল লেজেন্দ রয়ন গিগস অমদি হের্নন ক্রেস্পোনা লুচিংবা মুম্বাই ফাইভস অমদি কোলকটা ফাইভসনা চেন্নাইগী জৱাহরলাল নেহরু ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ইরাই নুমিৎতগী চথবা হৌখ্রবা প্রেমিয়র ফুটসাল লীগতা মথংশিংনা চেন্নাই ফাইভস অমদি গোৱা ফাইভসপু মার্জিন মান্ননা ৪-২ দা মায়থীবা পীখিনি। অদুগা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা বেঙ্গালুরু ফাইভসপু ৭-২ দা মায়থীবা পীখি অদুগা অতোপ্পা মেচ অমদা চেন্নাই ফাইভস অমদি কোচি ফাইভসনা ৪-৪ দা দ্রো চৎখিবনি।

# জুনিয়র ক্রিকেটর ২৫ না বেঙ্গলোরগী কেম্পতা জোইন তৌখ্রে

বেঙ্গলোর, জুলাই ২০ :
লৈবাক অসিগী জোন মঙাদগী খনগৎখিবা জুনিয়র ক্রিকেটর ২৫ না মফম অসিদা লৈরিবা নেসনল ক্রিকেট একাদেমিদা চথবা হৌখ্রবা চহীগী ওইবা অন্দর -১৬ কেম্পতা শরুক য়ারি।



থা অমা চুপ্পা চথুগদবা কেম্প অসি হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী পাঙথোকপা হৌখিবনি। কেম্প অসিদা শরুক য়ারিবা প্লেয়র ১৫ দি হৌখিবা মে ২৪ দগী জুন ৬ ফাওবা বেলগাউমগী হুব্লিদা জোনশিংগী ওইনা পাঙথোকখিবা ইন্টর জোনেল টুর্নামেন্টতগী খনগৎখিবনি। অদুগা জোনেল কেম্পশিংনা হৌখিবা এপ্রিল ২২ দগী মে ২১ ফাওবা ধর্ম্মশালা, বারোদা, জাইপুর, হুব্লি অমদি রাঞ্চিদা পাঙথোকখি। অপূনবা প্লেয়র ২৫ অসি জোন খুদিংমক্কী শরুক য়াখিবা ক্রিকেটরশিংনি।

অন্দর -১৬ কী কেম্প অসিদগী মশক থোক্লবা প্লেয়রশিং খনগৎতুনা লৈবাক অসিগী তুংগী ক্রিকেটর অমা ওইবা ঙম্নবা মতিক চাবা ট্রেনিংশিং পীগনি। মখোয়না তোঙান তোঙানবা চহী কাঙলুপকী ৱর্ল্ড কপশিংদা শরুক য়াদুনা মতিং লৈবা অমদি এক্সপরিয়েন্স লৈরবা ক্রিকেটর অমগী মগুণ চেলহল্লবা মতুং লৈবাক অসিগী সেনিয়র ক্রিকেটর অমা ওইরক্তুনা টিম ইন্দিয়াদা শরুক য়াগনি।

টিম ইন্দিয়াগী সেনিয়র ক্রিকেটর অমা ওইরক্লবগীদমক শাংলবা লম্বী অসিদা চহী কাঙলুপকী ক্রিকেটরশিংনা মতিং থোক্লা মখোয়গী হৈশিংবা অদু উৎথোকপগা লোয়ননা অফবা পার্ফোমেন্স পীবা মথৌ তারি হায়রি।

# ইন্দিয়ানা দেভিস কপ ৱর্ল্ড প্লে-ওফতা স্পেনগা লম্বা তৌনরগনি




লন্দন, জুলাই ২০ :
ইন্টরনেসনল টেনিস ফেদরেসন (আই টি এফ) না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লাউথোকখিবা দেভিস কপকী দ্রোগী মতুং ইন্না ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা দেভিস কপ ৱর্ল্ড গ্রুপ প্লে-ওফতা য়ুরোপিয়ন পৱরহাউস স্পেনগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

পনবা য়াই, হন্দক্তা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা লোইশিনখিবদা ঙাইখ্রিবা এসিয়া/ওসিনিয়া গ্রুপ ৱানগী সেকেন্দ রাউন্দ টাইদা সাউথ কোরিয়াবু ৪-১ দা মায়থীবা পীখিবনি। অদুগা য়ুরোপ/অফ্রিকা জোনেল টাইদা স্পেননা রোমানিয়াবু মায়থীবা পীদুনা দেভিস কপ ৱর্ল্ড গ্রুপ প্লে-ওফকীদমক খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

দেভিস কপকী পুৱারীদা ইন্দিয়ানা হান্নদা স্পেনগা অহুল্লক মায়োক্লদুনা শান্নখ্রে অমদি মদুদা স্পেননা ২-১ দা মাঙজিল থাখিবনি। কুমজা ১৯৬৫ দা ইন্দিয়ানা অরোইবা ওইনা স্পেনগা শান্নখিবদা স্পেনগী মখূৎতা ৩-২ দা মায়থীহৌখিবনি।

লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ১৬ তগী ১৮ ফাওবা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্নদৌরিবা দেভিস কপ ৱর্ল্ড গ্রুপ প্লে-ওফকী মেচ অসিগীদমক করম্বা লৈমায়দা শান্নগদগে হায়বদু অথুবা মতমদা লেপথোক্লগনি। অমরোমদা ইন্দিয়াগী দেভিস কপকী কোচ ওইরিবা জেসান অলিগী মতুং ইন্না য়ুরোপকী প্লেয়রশিং ক্লে নৎত্রগা হার্দ কোর্টতা মায়থীবা পীবা হায়বসি তরাইবা অমা ওইরোইদবনা গ্রাস কোর্টনা খ্বাইদগী ফবা পান্থৈ ওইগনি হায়বগী অপান্বা মোৎ ফোঙদোকখি।

এসিয়া/ওসিনিয়া গ্রুপ ৱানগী সেকেন্দ টাইদা অহানবা ওইনা রামকুমার রমানাথন অমদি সকেথ ময়নেনিনা শরুক য়াদুনা দবলস লেজেন্দ লিএন্দর পেস অমদি রোহন বোপান্নাগা পাদুনা চান্দিগরদা শান্নখি। মদুদা ইন্দিয়ানা সাউথ কোরিয়াবু ৪-১ দা মায়থীবা পীখিবনি। প্লে অদুদা সোমদেভ দেবভর্ম্মন অমদি য়ুকি ভাম্ব্রিনা মশা শোক্তুনা লৈখিবদগী শরুক য়াবা ঙমখিদে।

অমরোমদা দিফেন্দিং দেভিস কপ চেম্পিয়ন ব্রিটেননা সর্বিয়াবু নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা দেভিস কপকী মেচতা ৩-২ দা মায়থীবা পীদুনা অর্জেন্টিনাগা মায়োক্ল নবগীদমক সেমী ফাইনেল চঙখি। অতোপ্পা দেভিস কপকী মেচ অমদা ক্রোসিয়ানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু ৩-২ দা মায়থীবা পীখি।

পোলেন্দগী ওরেগোন্দা শান্নখিবা ক্রোসিয়া অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অনীগী মেচ অদুদা ক্রোসিয়াগী বোর্না কোরিকনা জেকসোকপু দিসিসিব মেচতা ৬-৪, ৩-৬, ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখি। সেমী ফাইনেলদা ক্রোসিয়ানা ফ্রেঞ্চকা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

মারিন সিলিক্না জোন ইষ্টনরবু ৭-৬ (৯), ৬-৩, ৬-৪ দা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা অহানবা রিভর্স সিঙ্গলস মেচতা মায়থীবা পীখি। ক্রোসিয়ানা হন্দক সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অসি কুমজা ২০০৯ দা চঙখিবা অদুগী মতুং অহানবা ওইরি। মখোয়না কুমজা ২০০৫ দা দেভিস কপকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

বেলগ্রেটকী টাসমাসদান কিরগো ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা রিভর্স সিঙ্গলসতা কেলি ইমুননা টুসান লাজোবিকপু ৬-৩, ৬-৪, ৭-৬ (৫) দা মায়থীবা পীদুনা ব্রিটেন্না ৩-১ দা মাঙজিল থানা য়ূম্বু ওইরিবা সর্বিয়াদগী মকোক থোংনা চৎখিবনি।

মশাগী চহী ২১ শুরবা ইমুননা ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা মহাক্কী ওপনিং সিঙ্গলসতা জানকো ইবসারেবিকপু মায়থীবা পীদুনা মাঙজিল থানা চৎখিবনি। মহাক্না এনি দমরে য়াওদবদগী টিমবু লুচিংখি।

এন্দি মরেনা মহাক্কী অনীশুবা ওইনা ৱিমব্লেদন টাইটল লৌখ্রবা মতুং দেভিস কপকী ক্বার্টর ফাইনেলদা মহাক্না শান্নবা য়াওরোই হায়না ৱারেপ লৌখিবনি। অদুমকপু টিমদদি মহাক্না সপ্পোর্ট তৌখি।

ইমুননা টিম অনীগী লৈরিবা প্লেয়রশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী রেঙ্ক ৱাংনা লৈবা প্লেয়র ওইখি। মহাক্না ৱর্ল্ডগী ৬৭ শুবা রেঙ্কতা লৈখি। সর্বিয়ানা মখোয়গী টোপ রেঙ্ক প্লেয়র নোভাক জোকোভিচ অমদি মখোয়গী লৈবাক্কী অনীশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা ভিক্তর ত্রোইকি য়াওদনা শান্নখি।

অমরোমদা, ফেদরিকো দেলবোনিসনা মহাক্কী ৱিমব্লেদনগী অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌখিবা অদুগী লমন খুন্বা ওইনা ফাবিও ফোগনিনিবু ৬-৪, ৭-৫, ৩-৬, ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা অর্জেন্টিনানা ৩-১ দা মায় পাকখিবদা মতেং পাঙখি।

ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা অর্জেন্টিনানা ৩-১ দা মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি। অর্জেন্টিনানা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু মায় পাকখিবা অসিনা চহী ১৪ গী মতুংদা ১১ রক শুবা ওইনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনবা ঙম্বা ওইখি। মখোয়গী শান্নগদবা রিভর্স সিঙ্গলস মেচ অমা শান্নদনা তোকখি।

অর্জেন্টিনানা আউটদোরগী ক্লে কোর্টতা ৩-১ দা মায় পাকখিবদা হরাউবা ফোঙদোকখি। মখোয়না ব্রিটেনগা মায়োক্লদুনা সেপ্টেম্বর ১৬ তগী ১৮ ফাওবা দেভিস কপকী সেমী ফাইনেলদা থেংনরগনি।

অতোপ্পা দেভিস কপকী প্লেদা জো ৱাইল্ডফ্রাইদ সোঙ্গানা রিভর্স সিঙ্গলসকী ওপন্নিংদা মায় পাক্তুনা ফ্রেঞ্চনা ৩-১ দা মাঙজিল থানা চৎহনখি। ত্রিন্সকী রেঙ্ক এরেনাদা চথ্থখিবা ফ্রাঞ্চ অমদি চেক রিপব্লিক্কী মেচ অদুদা ফ্রাঞ্চনা চেক রিপব্লিকপু মায়থীবা পীখিবনি।

সোঙ্গানা য়ূম্বুগী জিরি বসেরিবু ৪-৬, ৭-৬ (৩), ৬-৪, ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা দেভিস কপকী সেমী ফাইনেলগী মফম অমা ফ্রেঞ্চকীদমক কনখি। ফ্রেঞ্চনা চহী অহুম অসিদা অনীরকশুবা ওইনা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙম্বসু ওইরে।

ৱিমব্লেদনগী দবল চেম্পিয়ন নিকোলাস মাহুদ অমদি পিরে-হগ হর্বাটনা লুকাস রোসোল অমদি রাটেক ষ্টেপানেপু ৬-১, ৩-৬, ৬-৩, ৪-৬, ৬-৪ দা থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মায়থীবা পীদুনা ফ্রেঞ্চনা ২-১ দা মাঙজিল থাখিবনি।

# রিও ওলেম্পিক গেমসতা দুটি চান্দ, দিপা কর্মাকর অমদি পুখ্রম্বম সুশিলা চনুনা মেদলগী অশা তৌরি








ন্যু দিল্লি, জুলাই ২০ :ইন্দিয়ানা অহানবা ওইনা রিও ওলেম্পিক্সতা মসিগী খ্বাইদগী চাউবা কন্টিঞ্জেন্ট অমা থাগদৌরিবা অসিদা য়াওরিবা জিম্নাষ্ট দিপা কর্মাকর, ত্রেক এন্দ ফিল্ডগী দুটি চান্দ অমসুং নুপী হোকিগী কেপ্তেন পুখ্রম্বম সুশিলা চনুনা মেদলগী অশা তৌরি।

ইন্দিয়াগী অহানবা জিম্নাষ্ট ওইনা ওলেম্পিক্তা ক্বালিফাই ওইখ্রবা দিপা কর্মাকরনা মহাক্কী অহানবা ওইনা রিওদা শরুক য়াগদৌরি।

ইন্দিয়ানা চহী ৫২ গী মতুংদা অহানবা ওইনা জিম্নাষ্টিক্তা ওলেম্পিক্কী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবা জিম্নাষ্ট অমসু কর্মাকরনা ওইরি। অহানবা ওইনা মহাক্না গ্লাসগোদা পাঙথোকখিবা কুমজা ২০১৪ গী কম্মনৱেলথ গেমসতা শরুক য়াদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবদগী মীয়ামগী মিৎয়েং চিংশিন্নফম ওইখি।

মহাক্না লাক্কদৌরিবা ওলেম্পিক্সতা গোল্ড মেদল লৌনবগীদমক অচেৎপা থাজবা অমগা লোয়ননা অকনবা প্রেক্টিশ তৌরি।

মহাক্না হায়, রিও ওলেম্পিক্সতা ঐহাক্না শুংশোয় শোয়দনা মেদল অমদি লৌগনি। মসিগীদমক ঐঙোন্দা চোকথবা নাইদনা অকনবা প্রেক্টিশ তৌরি হায়না ফোঙদোকখি।

ত্রেক এন্দ ফিল্ডগী এথলেট অমদি নম্বর টু স্প্রিন্টর ওইরিবা দুটি চান্দনা অহানবা ওইনা ওলেম্পিক্সকী মিটর ১০০ গী লমজেলদা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি। চহী ৩৬ কী মতুংদা অহানবা ওইনা দুটি চান্দনা ওলেম্পিক্কীদমক মিটর ১০০ গী লমজেলদা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি।

কুমজা ১৯৮০ দা পি টি উষানা মোস্কো ওলেম্পিক্সতা হায়রিবা ইভেন্ট অসিদা ক্বালিফাই ওইখ্রবা মতুং মহাক্না অহানবা ওইনা ক্বালিফাই ওইবনি।

মহাক্না হায়, লৈবাক কয়াগী মশক নাইরবা কম্পিটিটর কয়া য়াওগদৌরিবা ইভেন্ট অসিদা ঐহাক্না মেদল অমদি লৌননবা হোৎনগনি। অদুবু মসিদা ওইথোকপা নৎত্রগা ওইথোক্তবা হায়বদুদি মতমনা পুরকপা ওইসনু হায়খি।

চহী ৩৬ কী মতুংদা অহানবা ওইনা ওলেম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিম লুচিংলিবী মণিপুরগী পুখ্রম্বম সুশিলানা হায়, রিও ওলেম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমনা মেদল অমদি শুংশোয় শোয়দনা লৌবা ঙম্নবা লৈজবী থাদুনা হোৎনগনি। ইন্দিয়াগী নুপী টিম অসি হৌজিক মালেমগী ওইনা মঙাশুবা পোজিশন্দা লৈরিবনি। পোজিশন অসি য়েংলুরগা ঐখোয়না মেদল অমদি শুংশোয় শোয়দনা লৌবা ঙমগনি হায়বসি অচেৎপা থাজবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# য়াশিরনা আই সি সিগী টেষ্ট বোলরগী লিষ্টতা মকোক্তা লৈখ্রে

লোর্দ, জুলাই ২০ :
লোর্দতা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা অহানবা টেষ্ট মেচতা ইংলেন্দবু রন ৭৫ দা মায়থীবা পীখিবা অদুদা শিংথানিঙাই ওইরবা পার্ফোমেন্স উৎখিবা পাকিষ্টানগী স্কিপ্পর য়াশির শাহনা চহী ২০ গী মতুংদা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) গী টেষ্ট বোলরগী লিষ্টতা মালেমগী টোপ স্পোটতা লৈবা ঙম্বা পাকিষ্টানগী অহানবা ক্রিকেটর ওইবা ঙমখ্রে।



হৌখিবা কুমজা ১৯৯৬ কী দিসেম্বর থাদা মুষ্টখ অহমদনা মালেমগী টোপ স্পোটতা লৈখ্রবা মতুং য়াশিরনা মালেমগী খ্বাইগী মকোক্তা লৈবা অহানবা বোলর ওইরে। কুমজা ২০০৫ গী দিসেম্বর থাদা ওষ্ট্রেলিয়াগী লেজেন্দ সেন ৱাননা মালেমগী খ্বাইগী মকোক্তা লৈবা অরোইবা স্পিন্নর ওইদুনা লৈরকখিবনি।

হন্দক্তা ইংলেন্দগী মায়োক্তা শান্নখিবা অহানবা টেষ্ট মেচ অদুদা মথংশিংনা রন ৭২ পীথোক্লগা ৱিকেট ৬ অমদি অনীশুবা ইন্নিংসতা রন ৬৯ পীথোক্লগা ৱিকেট ৪ লৌখিবা য়াশিরনা অপূনবা পোইন্ট ৩২ ফংদুনা ইন্দিয়াগী ওফ-স্পিন্নর রভিচন্দ্রন অশ্বিন অমদি ইংলেন্দগী বোল য়াওনা লংবা জেমস এন্দরসন অমদি ষ্টোর্ট ব্রোদপু তুংওইনরম্লগা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখিবনি। অদুমকপু জেমস এন্দরসনদি মশাগী অশোকপা লৈবদগী পাকিষ্টানগী মায়োক্তা শান্নখিবা অহানবা টেষ্ট মেচ অদুদা শরুক য়াবা ঙমখিদে।

মেচ অদুদা য়াশিরনা প্লেয়র ওফ দ মেচকী এৱার্দ ফংখিবদা নত্তনা অশ্বিনদগী পোইন্ট তরেৎ অমদি এন্দরসন্দগী পোইন্ট তরা ফংদুনা মাঙজিল থারি।

মশাগী চহী ৩০ শুরবা পাকিষ্টানি অসিনা মখা তানা অহেনবা পোইন্ট লৌনবগী মিৎয়েং থম্বগা লোয়ননা হৌজিক মহাক্না ক্বালিফিকেসন পেরোইদতা লৈরিবনা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংগা শিংননবা শেম শারি। বোলর অমনা ফুল রেটিংগী ক্বালিফাই ওইনবা ৱিকেট ১০০ লৌবা মথৌ তারবসু য়াশিরদি টেষ্ট মেচ ১৩ দা ৱিকেট ৮৬ লৌবদা ঙাইহরি।

অমরোমদা ইংলেন্দগী খৃষ্ট ৱোক্সসু অহানবা টেষ্ট মেচতা রন ১০২ পীরগা অপূনবা ৱিকেট ১১ লৌখিবদগী নৌনা থোকখিবা আই সি সিগী টেষ্ট বোলরশিংগী লিষ্টতা হান্না লৈরম্বা মফমদগী ২৮ হাইগৎলগা মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ৱাংবা ওইনা ৩৬ শুবা মফমদা লৈখি। টেষ্ট মেচ অদুদা ৱিকেট মরি লৌখিবা পাকিষ্টানগী রাহট অলিনা মহাক্কী হান্নগী মফমদগী মফম অহুম হাইগৎলগা মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ৱাংবা ওইনা ৩২ শুবা মফমদা লৈখি। অদুগা মোহমদ অমিরসু ৯৩ শুবা মফমদা লৈবা ঙমখি।

আই সি সিগী টেষ্ট বেটসমেনগী রেঙ্কিংদা পাকিষ্টানগী মিদল ওর্দর বেটসমেন অসাদ শফিখনা টেষ্ট মেচ অদুদা রন ৭৩ অমদি ৪৯ লৌদুনা মহাক্কী হান্না লৈরম্বা মফমদগী মফম অনী কাখৎলগা ১১ শুবা রেঙ্কতা লৈখি। পাকিষ্টানগী কেপ্তেন মিশাব উলহখসু অহানবা ইন্নিংসতা মহাক্কী ১০ শুবা টেষ্ট সেঞ্চুরি (১১৪) লৌখিবদগী হান্না লৈরম্বা মফমদগী মফম অমা কাখৎলক্লগা মাপনশুবদা লৈখি। ৱিকেট কিপর বেটসমেন সরফ্রাজ অহমদসু হান্না লৈরম্বা মফমদগী অনী হাইগৎলগা ১৭ শুবা রেঙ্কতা লৈরে। ইংলেন্দগী জেন্নি বেরষ্টোনা হান্নদগী মফম অনী কাখৎলগা ১৬ শুবা অমদি গেরি বেলেঞ্চনা মফম অনী হাইগৎলগা ৪০ শুবা মফমদা লৈখি।